# পিক্লিঙৈদগী শান্নবা হৌরক্লবসু ঐহাক্না ফুটবোলদা মশক থোক্লা মফম কনবা ঙমজরকপদি কুমজা ২০০৭কী মতমসিদগীনি



এলাংবম পান্থোই চনু
ইন্টর্নেসনল ফুটবোল্লর

এলাংবম পান্থোই চনু, হৌজিক-হৌজিক মণিপুরগী নুপী ফুটবোল্লরশিংগী মনুংদা গোলকিপর ওইনা মমিং লৈনা শান্নরিবী প্লেয়রনি। ফ্রন্ট লাইন্দা, মীদ ফিল্ডরদা, দিফেন্সতা মমিং লৈবা শান্নরোয় কয়া লৈবগুম গোলকিপরগী পোজিসন্দসু অচৌবা মফম কনবা ঙম্বী কয়াসু লমদমসিদা লৈরি। থোইদোক্লা নুপী ফুটবোল অসিদদি ষ্টেটসিগী নুপী শান্নরোয়শিং হৌজিকসু মঙাল নাইনা শান্নবা ঙম্লি।

এলাংবম পান্থোই চনু, কুমজা ১৯৯৬কী ফেব্রুৱারী থাদা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কৈরক মখা লৈকায়দা লৈবা এলাংবম চীংলেনখোম্বা মৈতে অমদি এলাংবম ওংবী শান্তি লৈমগী মচা অহুমগী মনুংদা অনীশুবী মচা, অমত্তা ঙাইবী মমোম ওইনা তাইবঙদা খোঙদারকখি। মথক্তা মবুং অমা, মখাদা মৌপ্পা অমা লৈ।

ফুটবোল্লর অসিনা মশামক্লা শান্নরকখিবগী পাউদমদা অসুম্না ফোঙদোকপীরকখি, ঐহাক্লা শান্নবদা খোঙ থাংজিঙ্গরকখিবসি ক্লাস থ্রী তম্বা মতম স্বাইদগী হৌজরকখি। মতমদো ঐহাক ককচীংগী মতাই চীংলোমদা লৈবা প্রিয়া ইংলিস স্কুলদা তম্লি। ক্লাস থ্রী লোইশিল্লকপা, ক্লাস ফোর কারমদাইগী মতমসিদগীদি ঐহাক ফুটবোলসি কন্না শান্নবীংবা ফাওরকখ্রে। অদুগা ঐহাকসি ক্লাস ফোরদগীদি ককচীংদা লৈবা গভর্ণমেন্টকী পর্দেসিং জুনিয়র হায় স্কুল হায়বসিদা তমজরকখি। হায়রিবা মতমদু স্কুল স্কুলশিংদা নুপী ফুটবোল চাওখৎনবা গ্রাসরুট লেভেলদা ত্রেনিং তৌবা মতমসু ওইখি। ঐঙোন্দদি ফুটবোল শান্ননীংদুনা লাকখিবনিনা য়াম্না নুংঙাইনা থোকখি। স্কুলদসু ওজাশিংনা গ্রাসরুটকী দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম ওইনা মফম কয়ামরুমদা কোয়চৎ চৎলগা শান্নহল্লকখি। অদুগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনসু ৱিমেন্স ফুটবোল একাদেমি হাংদোরক্তুনা মদুদসু ঐহাক ত্রেনিং তৌদুনা শান্নজবা ফংজরকখি। তৌবসু ঐহাক ক্লাস ফোর কাবা মতমসিদগীদি ফুটবোল ফজনা শান্নরগে হায়বসি পুক্নিংদা চপ য়ুংনা লৈরকখ্রে। স্কুলদা গ্রাসরুটতগী লমজিংবীরকখিবসি ওজা নিলো, ওজা সুরজিৎ অদুগা দি এস এ ককচীংগী ৱিমেন্স ফুটবোল একাদেমিগীনা ওজা যোগেন্দ্রজিৎ হায়রিবা ওজাশিং অসিনা ঐবু মখোঙ শেংনা হেক হৌবদগী নিংথিনা তাকপীরকখি। দি এস এ ককচীংগী একাদেমিদা ঐবু পুশিনবীখিবা অসিসু ওজা যোগেন্দ্রজিৎননি।

অমরোমদা, ঐদি অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা শান্নবসি পাম্না লাকপনিনা কবাদ্দিসু শান্নরকই, লমজেলসু চেল্লকখি। থৌরি হাইর-হাইরগা য়াম্না থুনা ফৎ-ফৎ চোঙবীসিসু য়াম্না শান্নরকখি। অদুনা পিক্লিঙৈদগী ঐহাক্তি হকচাং ফিট ওইনা হৌজরকখি। অদুগা, ঐখোয় খুন্দা ফুটবোল শান্নবা নুপী শান্নরোয়দি পংয়াম য়াম্না লৈরমদে। ইচে অহুমরোমদি ঐনা খঙজরকপদা লৈরন্মী। মমিংদি খুঞ্জাঙানবী, চাউবা অদুগা সনাথোই কৌই। অদুগা, ঐখোয়রোমদা য়াম্না পাম্না শান্নবা গেমদি পোলোনি।

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
## ফুটবোলদা মীৎয়েং অমা






ঐহাক্না ফুটবোল শান্নজবা মতমসিদদি ঐখোয়রোমদা ইতোমতা ওইরকখি। ইশানা থৱায় য়াওনা চঙশিঞ্জরকপা ওইবনা ঐহাক্না খিত্তং মশক থোক্লা শান্নবা ঙমজরকপসি কুমজা ২০০৭ সিদগীনি। হায়রিবা চহী অসিদগী ঐহাক ষ্টেট লেভেলগী টুর্নামেন্টতা য়াওদুনা শান্নবা ঙমজরকখি। চহীসিদা ঐহাক সব জুনিয়রগী নেসনল চৎপসু হৌরকখ্রে।

শান্নবা হৌজরকপা মতমসিদদি ওজাশিংনা ঐবু তোঙান তোঙানবা পোজিসনশিংদা ওন ওন্দুনা শান্নহনবীরকখি। মরুওইনা হাফতা, মীদ ফিল্ডরদা, দিফেন্সতা চাংয়েং তৌরকখি। চহী খরা চাংয়েং তৌদুনা পোজিসন খরদা শান্নহল্লবা মতুংদা ঐগী হাইট ফাইভ পোইন্ট সভেন লৈবদুদা গোলকিপরদা অমুক শান্নহল্লকখি। অতৈ অতৈ পোজিসনদা শান্নবগা গোলকিপরদা শান্নবগা ঐঙোন্দা হেন্না নুংঙাইনা থোকপসি গোলকিপর ওইনা শান্নবসিনা ঐঙোন্দা চানবা হেল্লকখি। মমৈদদি ঐনা পামজবা পোজিসনসিসু গোলকিপরনা ওইরকখি।

ঐবু অহানবা ওইনা ত্রেনিং তৌবীরকখিবা ঐগী স্কুলগী ওজাশিং, দিএসএ ককচীংগী ফুটবোল একাদেমিগী ওজাশিংনসু য়াম্না ফজনা ঐবু তাকপী-তন্বীরকখি। অদুগা, ঐহাক কুমজা ২০০৮দা ভিয়েটনামদা তৌখিবা অন্দর-১৩গী ৱিমেন্স ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগা মরী লৈননা পাঙথোকপা ফেষ্টিবেল অদুদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নবা চৎপদা য়াওজরকখি। ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মখাদা স্কুল স্কুলদগী গ্রাসরুটকী শেমগৎলকপশিং অদু মথং-মথং কম্পিটিসন তৌনহন্দুনা খনগৎলবা মতুংদা লাষ্টতা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদগী সিলেক্সন তৌরকপশিংদুগা নেসনল টিম শেম্লগা কুমজা ২০০৮সিদা ভিয়েটনামদা থাখি। হায়রিবা ফেষ্টিবেল অদুদা মণিপুরদগী য়াওখিবশিংদি - সুনিতা, লিন্থোই, রঞ্জিতা, হিঙনেমকিম, অশারানী, পুর্ণিমা, মার্গেট, ওসিন অমদি ঐহাকনি। মণিপুরদগী পুন্না ঐখোয় মাপল য়াওখি। ...মথং-মথং...

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১৩

১) মেগা মরাথন পাঙথোকপগী অনীশুবা চহীদা করম্বা ক্লবকী লমজেল্লোয়না নুপাগী ওপনদা অহুমশুবা পোজিসন ফংখিবগে?

২) টোকিও ওলিম্পিক্তা ঐহাক্না লমজেল অমদা খ্বাইদগী মমৈদা হায়বদি মতুংদা থুংলখি। অদুবু ঐগী ওলিম্পিক্কী স্পিরিট হায়বদি ওলিম্পিজমগী পুকচেল অদুবু জপান পুম্বনা হৌজিক ফাওবা নীংশিংবিরি। ঐহাক কানো?

৩) কলকতা সহরনা Beighton Cup কীদমক চাওথোকচৈ, মতৌ অসুম্না মুম্বাইনা মসিগা মান্নবা কপ অমগীদমক চাওথোকচৈ। কপ অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) মহাক ওলিম্পিক অমদা মহাক্না শরুক য়ারিবা থৌরম অমদা অহুমশুবা তাখি। মথংগী ওলিম্পিক্তা মহাকপু সনাগী মেদল লৌবা ঙম্নবা মহাক্কী লৈবাক অদুগী সরকারনা মতিক চাবা ওজাগী মখাদা মতিক চাবা খুদোংচাবা কয়মুক পীদুনা হোৎনহনখি। মেক্সিকো ওলিম্পিক তৌগদবা থা খজিত্তং ঙাইরবা মতমদা মহাক মশা মতোমতা শীজখি। মরমদি মহাক মমা লৈবাক্কী মীংচৎ পুরকপা ঙম্লরোই হায়বা খঙখি। মহাক কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৯, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## স্পেনগী রফেল নদাল অমসুং স্বির্জলেন্দগী ষ্টান ৱারিঙ্কা নুপাগী ক্বাটর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে



একাপুলকো, ফেব্রুৱারী ২৭ (এজেন্সী):
মেক্সিকোগী সিটি একাপুলকোদা লৈবা প্রিন্সেস মুন্দো ইম্পরিএল টেন্নিস সেন্টদা পাঙথোক্লিবা নুপাগী ২৭শুবা অমসুং নুপীগী ২০শুবা মেক্সিকো ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী কাংলুপ্তা ৱর্ল্ড নম্বর ২ রাফেল নদাল অমসুং স্বির্জলেন্দগী ষ্টান ৱারিঙ্কা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ১ সিদেদ ওইরিবা রফেল নদালনা ঙসি সর্ভিয়াগী শান্নরোয় এম কেকমানোবিসপু ৬-২, ৭-৫দা থোইবা ঙমখি। অমরোমদা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা ওইগদৌরিবা শান্নরোয় সাউথ কোরিয়াগী সোৱোন কোননা সর্ভিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় দিলাজোবিসপু ৭-৬ (৭-২), ৬-০দা মায়থীবা পীরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ স্বিজর্লেন্দগী ষ্টান ৱারিঙ্কানা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দদা স্পেনগী পেদ্রো মার্টিনেসপু ৬-৪, ৬-৪দা মায়থীবা পীরমখি। মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেলদা ফ্রান্সকী এ মনারিনোবু ৬-৭ (৮-১০), ৬-২, ৭-৬ (৭-২)দা থোইরম্বা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোপকা থেংনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল লাইন অপ লোইখি। য়ু এস এগী শান্নরোয় অনী লম্বা তৌনগদৌরি। ৬শুবা সিদেদ জোন ইসনর অমসুং টি পোল থেংনগনি।

ইসনরনা ২শুবা রাউন্দদা অতোপ্পা য়ু এস এগী শান্নরোয় এম জিরোনবু ৬-৩, ৭-৬ (৭-৪)দা থোইখি। অদুগা পোলনা নম্বর ২ সিদেদ শান্নরোয় জর্মনিগী এন্দ্রি জ্বেরেবপু ৬-৩, ৬-৪দা মায়থীবা পীখি।

## ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু রন ৩দা থোইদুনা গ্রুপ ‘এ’দগী টি-২০ ৱুমেন্স ৱর্ল্ড কপকী ২০২০গী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে



মেলবোর্ন, ফেব্রুৱারী ২৭ (এজেন্সী):
ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্ফু ওইদুনা লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা সিটিশিংদা পাঙথোক্লিবা আই সী সী ৱিমেন্স টি-২০ ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ‘এ’গী মেচ অমদা ইন্দিয়না ন্যু জিলেন্দবু রন ৩দা য়াম্না নক্লবা লম্বা অমদা মায়পাক্তুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি মেলবোর্ন সিটিদা লৈবা জঙ্কসন ওভেল ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ ‘এ’গী মেচ অমদা ন্যু জিলেন্দনা টোস ঙমদুনা ইন্দিয়াবু হান্না বেট্টিং তৌহনখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৮ আউট ওইরগা শুপ্নগী রন ১৩৩ খক লৌবা ঙমখি।

ন্যু জিলেন্দগী বোলরশিংনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুবু য়াম্না চাওবা পার্টনর্সিপ অমা শেমহনখিদে। ওপনর শফালি ভর্ম্মা অমসুং তনিয়া ভাটিয়ানা অনীশুবা ৱিকেট পার্টনর্শিপ্তা রন ৫১ হাপচিনখিবা অদুনা খ্বায়দগী ফজবা ওইখি।

ওপনর শফালি ভর্ম্মানা বোল ৩৪দা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ৪ য়ৈখিবা অদুনা ইন্দিয়াগী খ্বায়দগী ফজবা ইন্নিংস ওইখি। মহাক্কী পার্টনর তানিয়া ভটিয়ানা বোল ২৫দা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ২৩ লৌরম্বা অদু শিংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি। মখোয় অনীগী স্কোর অদু নত্তনা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংদি রন ২০ য়ৌবা অমত্তা ঙমখিদে।

মায়পাক্লবা ন্যু জিলেন্দনা ওভর ২০দা রন ১৩৪ লৌবা মথৌ তাখি। ইন্দিয়াগী বোলরশিংনা য়াম্না দিসিপ্লিন লৈবা এটেক্ট চথবা ঙমখিবনা মখোয়বু দোমিনেট তৌবা ঙমহনখিদে।

ন্যু জিলেন্দগী ইন্নিংস অদু ৱিকেট ৬ আউট ওইরগা রন ১৩০খক লৌবা ঙমখিবদগী অপীবা ওভর ২০ লোয়শিল্লকপদা রন ৩ ৱাৎখিবদগী মেচ অদু ইন্দিয়ানা থোইবা ঙমদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## মণিপুর টিমগী সেলেক্সন

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ (ঐচএনএস):
মথং থাগী ১২দগী ১৫ ফাওবা অসামনা য়ুম্ফু ওইদুনা সিবসাগর সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬শুবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া কুং-ফু এন্দ কিকবোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২০দা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী টিম শেম্মনবা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা ইন্টর্নেসনল কুং-ফু এন্দ কিকবোক্সিং একাদেমি বিষ্ণুপুরনা নিংথৌখোঙদা লৈবা মাঙ্গোলঙানবী কোলেজতা মার্চ ১গী পুং ৮ তাবা মতমদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

## ইংলেন্দগী মেনচেষ্টর সিটি অমসুং ফ্রান্সকী লিওন ফুটবোল ক্লব চেম্পিয়ন্স লীগতা মায় পাকখ্রে

মাদ্রিদ/লিওন, ফেব্রুৱারী ২৭ (এজেন্সী):
য়ুরোপ লৈবাক্কী ফুটবোল ক্লবশিংগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগকী ঙরাং শান্নখিবা রাউন্দ ওফ ১৬কী নোক আউট ষ্টেজগী অহানবা লেগকী মেচশিংদা ইংলেন্দগী ক্লব মেনচেষ্টর সিটি অমসুং ফ্রান্সকী লিওন মায় পাকপা ঙমখ্রে।

ঙরাং স্পেনগী সিটি মাদ্রিদতা লৈবা সেন্টিয়াগো বর্নেবু ষ্টেদিয়মদা য়ুম্ফু রিএল মাদ্রিদকা শান্নবদা ইংলেন্দগী মেনচেষ্টর সিটিনা পাঞ্জল ২-১দা অহানবা লেগকী মেচ অদু থোইখি। মেচকী অহানবা হাফতা পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদে। শান্নবগী ৬০শুবা মিনটতা রিএল মাদ্রিদকী ইস্কোনা একাউন্ট হাংদোকখি। সিটিগী মায়কৈদগী গেব্রিএল জিজস অমসুং দি ব্রুননা মথং শীৎনা ৭৮ অমসুং ৮৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ চল্লগা মায় পাকখি।

ফ্রান্সকী লিওন ফুটবোল ক্লবানা ইটালিগী জুবেন্টসকা শান্নবদা য়ুম্ফু ওইখিবা লিওনগী টোসার্তনা মেচকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু ৩১শুবা মিনটতা চন্দুনা জুবন্টেসপু অহানবা লেগ অদুদা মায়থীবা পীখি।

### ꯃꯥꯡꯈ/DRIVING LICENCE LOST

Driving Licence of Sapam Geeta Devi bearing No. MN0120190072419, Sapam Aleza Devi bearing No. MN0120190072420 and and Sapam Alena Devi bearing No.I MN0120190072418 were lost on the way between Waheng Leikai and Changangei on 26/02/2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

**Sd/- Sapam Geeta Devi**
Changangei Mayai Leikai,
# 7005680924

HL-P/6507/28

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG THOUBAL DISTRICT, MANIPUR

**Ref :- Mut. Case No. SDC/Lil/2020 dt. 14-02-2020**
Md. Fazal S/o Muhammed of Lilong Nungei ...*Petitioner*
-Versus-
(Late) Rasijan Bibi W/o Samsuruddin of Lilong Nungei. ....Opposite Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
The 27th Feb. 2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি এস দি সী সর্কলগী খুন নং ১১ নুংঙ্গৈগী অরিবা পাট্টা নং ৭২, অনৌবা পাট্টা নং ৩৩৬কী দখল তৌরিবা দাগ নং ১২২৭গী ০.১২৫৪ হেক্তর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা লৈখিদ্রবা পাট্টাদারগী মশুনুপাদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা এস দি সী লিলোংগী কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌবীনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি কোর্টকী মতুংইন্না কোর্টনা কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Lilong Thoubal District, Manipur**

HL-P/6510/28

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, PATSOI, IMPHAL WEST MANIPUR

**Ref :- Mut. Case No. 159/SDC/P/IW/2020**
Thokchom Prabha Devi W/o (L) Rameshwor Singh of Yurembam. ...*Petitioner*
-Vs-
(Late) Thokchom Rameshwor Singh S/o (L) Laphoijao Singh of Yurembam. ...O.P. Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
The 27th Feb. 2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃ: পাট্টাদার থোকচোম রামেশ্বর সিংহ পিং মৃ: লফোইজাও সিংহ, সাং য়ুরেম্বমগী মিংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৭৯ - য়ুরেম্বমগী অনৌবা পাট্টা নং ৩৩৭, দাগ নং ১০৯৬ অমসুং এরিয়া ০.১২৬ একর চাউবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/6511/28 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi**

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, PATSOI, IMPHAL WEST MANIPUR

**Ref :- Mut. Case No. 163/SDC/P/IW/2020**
Taorem Bobby Devi W/o (L) Inao Singh of Changangei. ...*Petitioner*
-Vs-
(Late) Taorem Inao Singh S/o Mangi Singh of Changangei. ...O.P. Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
The 27th Feb. 2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃ: পাট্টাদার তাওরেম ইনাও সিংহ পিং মৃ: মঙ্গি সিংহ, সাং চঙাঙ্গৈগী মিংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৭৮ - চঙাঙ্গৈগী অনৌবা পাট্টা নং ১৩৭১, দাগ নং ২০৮২ অমসুং এরিয়া ০.১৪ একর চাউবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/6511/28 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi**

## নম্বর ১ সিদেদ সৈ সু ৱৈ অমসুং বারবোরা ষ্ট্রাইকোভা ফাইনেল য়ৌখ্রে

দোহা, ফেব্রুৱারী ২৭ (এজেন্সী):
থা অসিগী ২৩দগী হৌখিবা কটার ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী দবলসকী কাংলুপ্তা নম্বর ১ সিদেদ চাইনিজ টাইপৈগী সৈ সু ৱৈ অমসুং জেক রিপব্লিক্কী বারবোরা ষ্ট্রাইকোভানা ফাইনেলদা কানাদাগী গেব্রিয়েলা দাব্রোস্কি অমসুং লাটভিয়াগী এলিনা ওষ্টাপেনকোগা লম্বা তৌনরগনি।

সৈ অমসুং বারবোরাদা ঙসি সেমিফাইনেলদা জেক রিপব্লিক্কী পেয়র বারবোরা ক্রেজিকোভা অমদি কেটারিনা সিনিয়াকোভাবু ৬-৪, ৪-৬, ১২-১০দা মায়থীবা পীরমখি। অরোমদা দাব্রোস্কি অমদি ওষ্টাপেনকোনা হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস অমসুং ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোবিসপু ৬-৪, ১-৬, ১০-৭দা থোইরমখি।


টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা বেলারসকী শান্নরোয় এরিনা সবালেনকানা চাইনাগী শান্নরোয় ঝেং সাই সাইবু ৬-৩, ৬-৭ (২-৭), ৬-৩দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মহাক্না সেমীফাইনেল লম্বা তৌনগদৌরিবী শান্নরোয় অদু টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ স্বিজর্লেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিকপু ৬-৪, ৬-৪দা মায়থীবা পীরম্বী রসিয়াগী স্বেটলানা কুজনেটসোভানি।

দুবাইদা পাঙথোক্লিবা অতোপ্পা টুর্নামেন্ট দুবাই ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলসতা গ্রিসকী ষ্টিফানোস সিসিপাস সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা জর্মনিগী জে এল ষ্ট্রুপপু ৪-৬, ৬-৪, ৬-৪দা মায়থীবা পীরমখি।

সিসিপাসনা সেমিফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা শান্নরোয় অদু রসিয়াগী এন্দি রুব্লেবপু ৬-২, ৭-৬ (১১-৯)দা থোইরম্বা গ্রেট বৃটেনগী দেনিয়ল ইভান্সনি।

## টোকিও টেষ্ট ইভেন্টকীদমক ইন্দিয়াগী শুটর ১৭কী টিম খনখ্রে



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৭ (এজেন্সী):
নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা লাউথোকখিবগী মতুং ইন্না এপ্রিল ১৬তগী ২৫ ফাওবা জপানগী কোনুং টোকিওদা লৈবা অসানকা রেঞ্জতা পাঙথোক্কদবা ওলিম্পিক টেষ্ট ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী শুটর ১৭না শাবা টিমগী মমিং লাউথোকখ্রে।

টিম অদুদা পুন্না ওলিম্পিক্কীদমক ক্বালিফাই ওইরবা শুটর ১৪ য়াওরি। অদুবু রাইফল ৩ পোজিসন ইভেন্টতা ২০১৮গী কম্মনৱেথল গেমসকী গোল্ড মেদল ফংখিবী তেজাস্বিনি সৱান্ত টিম অসি খনবদা য়াওখিদে। মহাক্কী মহুৎ অঞ্জুম মোদগিলনা শিল্লগনি। লোয়ননা অতোপ্পা এয়র রাইফলগী স্পোট অনী অদুনা অপুরবি চান্দেলা অমদি ইলাভেনল বালারিবননা মেনগদৌরি।

নুপাগী কাংলুপ্তা মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোলদা অভিসেক বর্ম্মা অমসুং সৌরব চৌধরি য়াওগনি। নুপীগীদা মনু বাকর অমদি য়াসস্বিনি সিংহ দেসৱালনা টিম অসিদা য়াওরি। নুপাগী মিটর ১০গী এয়র রাইফলদা দিবিয়ান্স সিংহ পনৱর অমসুং দিপাক কুমার, নুপীগীদা অপুরবি চান্দেলা অমসুং ইলাভেনল বালারিবন য়াওরি।

মিক্স এয়র পিষ্টোলদা অবিসেক বর্ম্মা অমসুং মনু বাকর অমদি সৌরব চৌধরি অমসুং য়সস্বিনি সিংহ দেসৱালনি। লোয়ননা মিক্স এয়র রাইফলদা দিবিয়ান্স সিংহ পনৱর অমদি অপুরবি চান্দেলা লোয়ননা দিপক কুমার অমসুং ইলাভেনল বালারিবননি।

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, PATSOI, IMPHAL WEST MANIPUR

**Ref :- Mut. Case No. 156/SDC/P/IW/2020**
Ngashepam (O) Mema Devi W/o (L) Kiran Singh of Yurembam Makha Leikai. ...*Petitioner*
-Vs-
(Late) Ngashepam Kiran Singh S/o (L) Omor Singh of Yurembam....O.P. Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
The 27th Feb. 2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃ: পাট্টাদার ঙাসেপম কিরন সিংহ পিং মৃ: ওমোর সিংহ, সাং য়ুরেম্বমগী মিংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৭৯ - য়ুরেম্বমগী অনৌবা পাট্টা নং ২১৯, দাগ নং ১২০১ অমসুং এরিয়া ০.২৮ একর চাউবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/6511/28 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi**

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, PATSOI, IMPHAL WEST MANIPUR

**Ref :- Mut. Case No. 161/SDC/P/IW/2020**
Konthoujam Bishorjit Singh S/o (L) Ibopishak Singh of Patsoi Part-II ...*Petitioner*
-Vs-
(Late) Konthoujam Ibopishak Singh S/o (L) Naran Singh of Patsoi Tulihal. ...O.P. Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
The 27th Feb. 2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃ: পাট্টাদার কোন্থৌজম ইবোপিশক সিংহ পিং মৃ: নারান সিংহ, সাং পাৎশোই তুলিহলগী মিংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৮০ - পাৎশোইগী অনৌবা পাট্টা নং ৭৪, দাগ নং ২৩১৬ অমসুং এরিয়া ০.৭৪ একর চাউবা অঙনফৌ লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/6511/28 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi**